# মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ফাইটর জেট দিলদা ইন্দিয়ানা জেট ১১৪ লৈনবা থবক হৌখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৪(এজেন্সি)ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাকসিগী আর্ম ফোর্সশিংগী অরীবা লানগী প্লেনশিং মহুৎ শিন্দোক্লবা অমসুং লৈবাকসিগী লাম্ন্থেংনবগী শক্তি হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা, হৌজিক্কী ওইনা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ফাইটর জেট দিল ওইনা ফাইটর জেট ১১৪ লৈনবা থবক চংশিনবা হৌখ্রে।

দোল্লর বিল্লিয়ন ১৫ হেনবগী দিল অদুনা বোইং কো, লোকহীদ মারটিন কোর্প অমসুং স্বিদেনগী সাব এ বি য়াওনা মালেমগী দিফেন্সকী অচৌবা কম্পেনিশিংদগী ফাইটর জেটশিং অদু পীগে হায়না খূৎ লাম্ন্থোনরকখ্রে হায়রি।

গভর্ণমেন্টকী মতুং ইন্না ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স অমসুং নেভিনা সিঙ্গল অমসুং দবল-ইঞ্জিন কম্বেট এয়ার ক্রাফ ৪০০ ফাওবা মথৌ তারি।

অহানবগী বিদশিংগী ইভেলুয়েসন অমসুং ফাইনেলাইলেজসনগী থবক হৌখ্রে হায়না পার্লিয়ামেন্টতা জুনিয়র দিফেন্স মিনিষ্টর শ্রীপদ নায়কনা লোমেকরশিংদা হায়খি। ইন্দিয়ানা টেঙ্কশিং, আরমোর ভেহিকলশিং লৈনবা দোকুমেন্টশিংসু দ্রাফ তৌরি লোয়ননা ইন্দিয়াদা সবমেরিনশিং শাবা পাম্বা মীরৈবাক্কী জহাজ শাবশিংদসু হংলি হায়না মহাক্না হায়খি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্না লূপা বিল্লিয়ন ১৫০ (দোল্লর বিল্লিয়ন ২.২)গী মিসাইল ৱারসিপ ৬ অমসুং অতৈ অপীকপা জহাজশিং শান্নবা ৱাফমশিং থাগৎলক্লবা সিপয়ার্দ ৭তা খঙহনখ্রে হায়না স্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা হায়খি।

এফ /এ-১৮ ফাইটর জেটকীদমক বোইংনা ষ্টেটনা চলাইবা হিন্দুষ্টান এরোনোটিক্স লিমিটেদ (ঐস এ এল) অমসুং মহিন্দ্র দিফেন্স সিষ্টেমস দিমিটদকা পার্টনর ওইরি।

এফ-২১ জেটশিংগীদমক লোকহীদনা সোল্ট-টু-সোফৱয়ার কোংগ্লোমরেট টাটা গ্রুপকা পূন্না টেন্দর থারক্কনি। স্বিদেনগী সাব এ বি না মখোয়গী গ্রিপেন জেটশিংগীদমক বিল্লনর গৌতম অদানিগা পূল্লগা বিদ অসিদা শরুক য়াগনি।

চহী ১০ রোম চংখিবা থবক অমা ওইখিবা, ২০১৫দা দোল্লর বিল্লিয়ন ১১গী রাফেল জেট ১০৬কী দাসোলট এভিয়েসনগা তৌনবা ওর্দর অমা ককথৎলবা তূংদা মোদি লৈঙাক্না তোঙান্না রাফেল জেট ১৬ লৈখি। অনৌবা টেন্দর অসিগী মখাদা মায় পাক্লবা কম্পিনি অদুনা কন্ট্রেক অসি তৌনবা চহী ৩গী মনূংদা অহানবা জেট অদু পীরক্কদবনি হায়রি।

# হাফিজ সায়ীদ, মাগী মথঙ খনবশিং থুনমক ফারগনি ঃ পাক পুলিস



***লাহোর, জুলাই ০৪(এজেন্সি)ঃ***
পাকিস্থানগী ওথোরিটিজনা জামাট-উদ-দৱা নৎত্রগা জে য়ু দি চীফ হাফীজ সায়ীদ অমসুং মগী মথঙ খনবা ১২বু টেরোরিজম ফাইনান্সিং অমসুং মনিলোন্দরিংগী মরান শিখিবগী নোংঙানবা ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা পাকিস্থানগী পুলিসনা মুম্বাই টেরর এটেক মাষ্টরমাইন্দ অমসুং জে য়ু দি চীফ অমসুং মাগী কাংপুব অদু থুনমক ফারগনি হায়খ্রে।

পঞ্জাব প্রোভিন্সকী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা টেরর ফাইনান্সিংগী মরানশিংদা হাফীজ সায়ীদ য়াওনা জে য়ু দি লূচিংবা ১৩গী মথক্তা ঙরাং পঞ্জাব পুলিসকী কাউন্টর টেরোরিজম দিপার্ট মেন্ট (সি টি দি)না ফার্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট ২৩ রেজিষ্টর তৌখ্রে।

এফ আই আরশিং রেজিষ্টর তৌরবনা মীওইশিং অদু থুনমক ফারগনি হায়না পঞ্জাব পুলিসকী ৱাঙাংলোই নিয়াব হায়দর নকবীনা পি টি আইনা হায়খি।

ইমরান খান গভর্ণমেন্টকী মনূংদগী লিখুন অমনা পি টি আইদা ফোঙদোকপদা পাকিস্থানগী পঞ্জাব পুলিসনা হাফীজ সায়ীদকী মথক্তা খূৎ থানবা 'মথক্ত'গী অয়াবা পীরকপা ঙাইরি হায়খি।

হৌজিক সায়ীদ লাহোরগী জৌহার টাউন্দদা লৈবা মাগী য়ুমদা লৈরি। মহাকপু ফানবা মাগী য়ুম অদুদা রেইদ চথনবা পুলিসনা গভর্ণমেন্টতগী অয়াবা ঙাইরি হায়না লিখুন অদুনা হায়রি।

ফাইনান্সিয়েল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ)কী মখাদা টেরর ফাইনান্সিংগী মখাদা ঙাকফম থোকপশিংদু ইন্নবগীদমক ইমরান খান গভর্ণমেন্টনা হোৎনরকখিবগা লোয়ননা হাফীজ সায়ীদপু চয়োল অসিদা ফারবা য়াই হায়না লিখুল অদুনা মখা তানা হায়খি।

এন্টি-টেরোরিজম কোর্টশিংনা হন্দক্তা জে য়ু দি অমসুং জৈশ-ই-মোহম্মেদ (জে ই এম)গী মেম্বর ১২বু টেরোরিজম ফাইনান্সিংগী মরানশিংদা চহী ৫ ফাওবগী মরানশিং পীখ্রবনি।

# গভর্ণমেন্ট অসি ইকোনোমিগী মতাংদা ৱাখল শোঞ্জুনৈ ঃ চিদম্বরম



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৪(এজেন্সি)ঃ***
হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টতা থল্লিবা বজেট মমাঙগী ইকোনোমিক সর্ভেদা সেক্টর-ৱাইজ গ্রোথ প্রেজেক্সন য়াওদে অমসুং ইকোনোমিগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট মশামক অসি ৱাখল শোঞ্জুনবগুম তৌই হায়খ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা কোংগ্রেসকী সেনিয়ার দিলদর অদুনা ইকোনোমিক সর্ভে ২০১৮-১৯গী ফাইন্দিংশিং অদু পোজিটিব ওইদে, পূক্লিং থৌগৎনিঙাইসু ওইদে হায়খি।

ইকোনোমিক সর্ভে অসিদা ফোঙদোক্লিবসি গভর্ণমেন্ট ইকোনোমি মতাংদা ৱাখল শোঞ্জুনৈ তাকপনি হায়না ঐঙোন্দ খল্লি হায়খি।

ঐহাক্না ২০১৯-২০গী আউটলুক অদুরা হায়না য়েংখি। মসি ভলম-২, চেপ্টর ০১নি। অদুবু মসিদা ২০১৯-২০দা ইকোনোমিগী গ্রোথ চাদা ৭ ওইবা য়াই হায়বসিখক পলম্মী। মসিদা গ্রোথকী সেক্টর -ৱাইজ প্রোজেক্সনশিং অমত্তা পীদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ইকোনোমিক সর্ভে অদুনা গ্রোথ তপথব, রেভিন্যু হন্থবা, ফিস্কেল দিফিসিট টরগেটতা শোকহন্দনা রিছোর্সেস থিবা। থাওগী মমলনা করেন্ট একাউন্টতা পীবা শাফু অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ফাইনান্সিংগী রিকোমেন্দসনশিং উৎলি। ঐহাক অকীবা পোকই, হায়রিবশিংসি অমত্তা পোজিটিব ওইদে নৎত্রগা পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইদে হায়না মহাক্না হায়খি।

# মপান লৈবাক্কী জেলশিংদা ইন্দিয়ান ৮১৮৯ লৈরি ঃ এম ই এ

***ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৪(এজেন্সি)ঃ***
মপান লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা জেলশিংদা, সাউদি অরাপীয়াদনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না, ইন্দিয়ন ৮১৮৯ লৈ হায়না য়ুমশংকৈশা নুমিৎতা এক্সটর্নেল এফিয়ার মিনিষ্ট্রিনা হায়খ্রে।

মিনিষ্টর এফ ষ্টেট ফোর এক্সটের্নেল এফিয়ার ভি মুরারিধরননা লোক সভাদা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মপান লৈবাকশিংদা লৈরিবা ইন্দিয়ান বন্দি অপূনবা মশীংগী মনূংদা ৪২০৬ গলফ কোওপরেসন কাউন্সিল লৈবাক ৬তা লৈ হায়খি।

সাউদি অরাবিয়াদনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা ইন্দিয়ান বন্দি ১৮১১ লৈ। মথঙদা য়ু এ ইদা ১৩৯২ লৈ হায়খি।

গলফ কোওপরেস কাউন্সিল (জি সি সি) মিদ্দল ইষ্টর্ন লৈবাক ৬-সাউদি অরাবিয়া, কুৱাইট, য়ুনাইটেদ অরাব ইমিরেটস, কতার, বহরেন অমসুং ওমনগী পোলিটিকেল অমসুং ইকোনোমিক এলায়েন্স অমনি।

ইন্দিয়া অমসুং য়ু এ ইনা মরানগী চৈরাক ফংলবা মীওইশং শিন্নবগী মতাংদা ২০১১দা য়ানরোল অমা সহি তৌনখ্রে। য়ানরোল অদু মার্চ ২০১৩দগী চৎনবা হৌখি।

য়ানরোল অদুদা অতৈ-অতৈ ৱাফম কয়াগা লোয়ননা বন্দিশিং শিন্নবগী কন্দিসনশিং অমসুং মখোয়গী মতাংদা ই-পাউ পীনবগী ৱাফমসু য়াওরি হায়না মিনিষ্টরনা হায়খি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা য়ানরোল অসিগী মখাদা য়ু এ ইদগী ইন্দিয়ান বন্দি অমত্তা থারক্ত্রি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা য়ানরোল অদুগী মখাদা ইন্দিয়ান বন্দি ৭৭ থারক্লবা অমসুং ইন্দিয়াদা ওইনা মখোয়গী ৱাৎহৌরিবা চৈরাক্কী মতম অদু খাঙনবা কোন্সুলেট জেনরেল ওফ ইন্দিয়া, দুবাইদগী ৱারোল অমা ওক্টোবর ২০১৮দা গভর্ণমন্টনা ফংলে হায়খি। ৱাফম অদু য়ানরোল অদুদা য়াওরিবা কাঙলোনশিং অদুগী মতুং ইন্না য়ু এ ই অমসুং ইন্দিয়াগী মরীলৈনবা ওথোরিটিজনা থবক মখা চত্থরি হায়না মহাক্কী পাউখুমদা মুরালিধরননা হায়খি।

অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুরালিধরননা ২০১৬দগী মে ৩১, ২০১৯ ফাওবদা লৈবাক ১২৫দগী ইন্দিয়ান নেসনেল ১৪,৩১২গী অশিবা হকচাং পুরকখ্রে হায়খি।

# বাংলাদেসকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনা হাৎনবা হোৎনখিবা মীওই মাপন শিবগী চৈরাক্কী রাই পীখ্রে



***ধাকা, জুলাই ০৪(এজেন্সি)ঃ***
হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর ওইরীবীশৈখ হসিনাবু চহী ২৫গী মমাঙদা হাৎনবা হোৎনখিবা অদুগীদমক ঙরাং য়ুমশংকৈশা নুমিৎতা বাংলাদেস কোর্ট অমনা মরুওইবা ওপোজিসন পার্টিগীী মেম্বর ৯বু শিবগী চৈরাক্কী রাই পীখ্রে অমসুং অতোপ্পা মেম্বর ২৫দা পূন্সিচুপ্পগী জেলগী চৈরাক্কী রাই পীখ্রে হায়না গভর্ণমেন্ট উকিল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

১৯৯৪দা শৈখ হসিনানা তোংদুনা চৎলিবা ট্রেন অমদা এটেক তৌরকখিবা অদুদা শরুক য়াবগীদমক মীওই ১৩সু চহী ১০গী জেলগী চৈরাকশিং পীখ্রে হায়না প্রোজিক্যুটর অমিনুর ইস্লামনা হায়খি।

মতম অদুদা শৈখ হসিনা ওপোজিসন লিদর ওইরি অমসুং মহক্কী থীনা য়েঙথিনবী খলেদা জিয়ানা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখি।

হৌজিক খলেদা জিয়া অমসুং বাংলাদেস নেসনেলিষ্ট পার্টি (পি এন পি)না ওপোজিসন ওইরি।

মরান শীরিবা মীওইশিং অদুনা হসিনাবু হাৎনবা পান্দম থমদুনা ট্রেন অদুগী মহাক্না তোংলিবা দাবা অদুদা বোম অহুম লংশিল্লকখি অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকখি হায়না এটেক অদুগী থৌদোক থোকখিবা পাবনা টাউনগী কোর্টকী মপান্দা ইস্লামনা পাউমীশিংদা হায়খি। হায়রিবা মফম অদু কোনূং ধাকাদগী অৱাং-নোংচুপ্পা কিলোমিটর ১৬০ লাপ্পী।

ভোট রেগীং তৌই হায়বগী মরান কয়া শীরক্লবসু বাংলাদেস প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনানা থঙন-থঙননা তার্ম ৩লক মায় পাক্লকখ্রে।


হসিনাগী লৈঙাকপু য়ানীংদবগী খোল্লাও নমশিনবা অমসুং বি এন পি সপ্পোর্টরসশিং য়াওনা য়ানীংদবশিংবু জেলদা থম্বগী মরান শীদুনা লাক্লি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর খলেদা জিয়া করপসনগী মরানদা জেলদা লৈরি। অদুবু মঙোন্দা শীরিবা মরান অদু পোলিটিকেলগী লৌতুনবনি হায়না মহাক্না হায়রি।

দিফেন্দেন্টশিং অদুগী খরগী উকিল অমা ওইরিবা মাশুট খন্দকেরনা মখোয় পূন্নমক্না চৈরাকশিং অদু আপীল তৌগনি হায়খি।

শৈখ হসিনা ২০০৪দসু ধাকাদা পাংথোকপা রেল্লি অমদা গ্রেনেদ ৩ লংশিল্লক্কুনা হাৎনবা হোৎনখ্রে। মদুদা মীওই ২৪ শিখি অমসুং ৫০০ হেন্না শোকখি। এটেক অদুগীদমক কোর্ট অমনা ২০১৮দা মীওই ১৯শিবগী চৈরাক পীখ্রে অমসুং অতোপ্পা ১৯ অমদা পূন্সিগী জেলগী চৈরাক পীখ্রে। দিফেন্দেন্টশিং অদুনা হেন্না ৱাংবা কোর্ট অমদা আপীল তৌখ্রে।

# ট্রেদ দিল তৌনসি হায়রবদি য়ু এস টারিফশিং শোয়দনমক লৌথোকখিগদবনি ঃ চিনা





***বৈজিং, জুলাই ০৪ (এজেন্সি)ঃ***
হৌজিক থোক্লিবা লল্লোন-ইতিক্কী লান লোয়শিন্নবা নাকন অনীমক্না দিল অমা তৌননবগীদমক চিনাগী মথক্তা থল্লিবা য়ু এস টারিফশিং অদু শোয়দনমক লৌথোকখিগদবনি হায়না চাইনিজ কমর্স মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস অমসুং চিনাগী প্রসিদেন্টশিং, দোনাল ট্রম্প অমসুং জি জিনপীংনা য়ান্নবা অমা লাওথোকখ্রবগী নুমীৎ খরনিগী তূংদ কমর্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই গাও ফেঙনা হায়খি-মালেমগী মকোক থোংবা ইকোনোমি অনীগী ট্রেদ টিমশিংনা পাউ ফাওনদুনা লৈবা হৌরে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থাবা চিনাগী এক্সপোর্টশিংগী মথক্ত য়ু এসনা নাকন নামতদগী টারিফশিং লৌবা হেনগৎলকখিবা অদুনা সিনো-য়ু এস ইকোনোমিক অমসুং ট্রেদকী মুক্লবগী হৌরকফমনি হায়না প্রেষ্টতা পীবা চয়োলগী পাউদম অমদা চিনাগী কমর্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি।

করিগুম্বা নাকন অনীনা য়ানবা অমা পুরকসি হায়রবদি থল্লিবা টারিফশিং মপূং ফানা শোয়দনমক্কী লৌথোকখিগদবনি। মসিগী মতাংদা চিনাগী ফিরেপ শেঙলবনি অমসুং লেঙদ্রবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# সেঙ্কসন্স লৌথোক্লবদি ৱারী শাননবা থৌরাং তৌরি



***দুবাই, জুলাই ০৪ (এজেন্সি)ঃ***
করিগুম্বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরান্দা থল্লিবা মখোয়গী সেঙ্কসন্স লোইশিল্লবদি ফিভম অদুদ খক্তদা টেহরান অমসুং ৱাসিংটনগা ৱারী শান্নবা য়াগনি অমসুং ইরানগী মকোক থোংবা ওথোরিটি, সুপ্রিম লিদর অয়াতোল্লাহ আলি খামেনৈনা মাগী অয়াবা পীরে হায়না ইরানগী ইন্টিল্লিজেন্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে হায়না ষ্টেট ন্যু এজেন্সি আই আর এগী ঙসিগী পাউদা হায়খ্রে।

করিগুম্বা ট্রম্প (য়ু এস প্রসিদেন্ট)না সেঙ্কসনশিং লৌথোক্লবা খক্তদা অমেরিকাগা ৱারী শান্নবগী ৱাফম ইরাননা খন্নগনি অমসুং ঐখোয়গী সুপ্রিম লিদরনা মদুগী অয়াবা পীরে হায়না ঙরাং য়ুমশংকৈশাগী অথেঙবদা ইন্টিল্লিজেন্স মিনিষ্টর মহমৌদ অলাবীনা হায়খি।

ইরানগী মিলিটরি পৱার অমেরিকানশিংনা কি, মরম অদুদগী ইরানদা এটেক তৌনবা মখোয়গী ৱারেপ অমুক হন্দোকখিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# মীখল মায়থিখিবগী দায়ত্ব লৌদুনা অসামগী কোংগ্রেস ইন-চার্জ ওইনা হরিস রৱাত ফম থাদোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৪(এজেন্সি)ঃ***
হন্দক লোয়শিনখিবা লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিগী ফিভম ফৎখিদবা অদুগী দায়ত্ব লৌদুনা অসামগী ইন-চার্জ কোংগ্রেস জেনরেল সেক্রেটরি ওইবদগী হান্নগী উত্তরখন্দ চীফ মিনিষ্টর হরিস রৱাত ফম থাদোক্লে হায়না লাওথোখ্রে।

অসামদা পার্টিগী থবক পুবা ওইবা মরমনা পার্লিয়ামেন্টকী মীখলদা কোংগ্রেসকী অনেম্বা থাক্কী থবক অদুগীদমক মহাক্না দায়ত্ব লৌই অমসুং মরম অদুনা ফম অদু থাদোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়না মিষ্টর রৱাতনা হায়খি।

রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস চীফ ওইবগী ফম থাদোকখিবা অদুগা চান্ননা রৱাতসু ফম থাদোকখিবনি। কোংগ্রেসকী ওফিস বিয়ারর ঐখোয় পার্টিসিগী মায়থিবা অমসুং ওর্গনাইজেসনগী অশোয়বা অদুগীদমক দায়ত্ব পুফম থোকই।

অসামদা পার্টিগী ইন-চার্জ ওইবা মরমনা ষ্টেট অদুনা মীখলগী ফল ফৎখিদবা অদুগী দায়ত্ব ঐনি। ঐহাক্না ঐগী অশোয়বা অদু য়াজরে অমসুং ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ ওইবা তোক্লে হায়না মিষ্টর রৱাতনা ট্বিটরদা হায়খি।

এপ্রিল -মেদা পাংথোকখিবা লোক সভা মীখলদা অসামগী লোক সভা সিট ১৪ লৈবদা কোংগ্রেসনা সুপ্নগী ৩থক ফঙখিবনি।

# মহারাষ্ট্রদা দাম কায়বদা মীওই ১৪ শিখ্রে, ১১ থিবা খঙদ্রি

***মুম্বাই, জুলাই ০৪(এজেন্সি)ঃ***
মহারাষ্ট্রগী রত্নগিরি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা টিৱারে দাম অদু কায়বদা মীওই ১৪ শিখ্রে অমসুং ১১ হৌজিকফওবা থিবা খঙদ্রি। নোং কন্না চুখরকপদগী দাম অদু লৈবাকপোকপগী নুমিদাংদা কায়খিবনি।

দাম অদুগী ঈচেল মখাদা লৈবা খূন ৫-৬ ঈশিং থুমখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা য়ুম ১২ অমসং গাড়ী ২০ ঈশিংনা চেন্থখ্রে। ষ্টেট পুলিস অমসুং নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)না থিবা খঙদবা মীওইশিং অদু ফঙনবা হৌজিক ফাওবা থবক চত্থরি।

দাম কায়বগী থৌদোক অদু থিজিন্নবা ঙরাং মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবীজনা ওর্দর তৌখ্রে।

চহী ১৫ শুরবা দাম অদু অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্না চেকখাইরে হায়বনচীংবা ৱাকৎশিং তৌরকখিবদগী মে থাদা শেমজিনখ্রবনি। শেমজিনখ্রবা ফাওবদা দাম অদুদা করম্না চেকখাইরক্লিবনো হয়বদু থিজিনগনি হায়না মহারাষ্ট্র ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর গিরিস মহাজননা হায়খি।

দাম হায়বসি মহৌশানা চহী ১০০ রোম ফিভম ফনা লৈনৈ। অদুবু মসি করম্না থোক্লিবনো, মসি করপসনগী মরমননি। দাম অদু মফমদুগী এম এল এ সদানন্দা চাৱনগী কম্পেনিনা শাখিবনি হায়না মহারাষ্ট্র এসেমব্লিদা ওপোজিসন লিদর বিজয় ৱাদেদিয়ালনা হায়খি।

# ঐস এ এল ষ্টাফ প্রোটেষ্ট কনশিনখ্রে, ষ্ট্রাইক্কী নোটিশ তৌখ্রে



***বেঙ্গলুরু, জুলাই ০৪(এজেন্সি)ঃ***
দিফেন্স পি এস য়ু হিন্দুষ্টান এরোনোটিক্স লিমিটেদ (ঐস এ এল)গী ইমপ্লোয়ীশিংনা খূৎথাং চরা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লক্লি, হৌজিক ফাওবদা মেনেজমেন্টকা ৱরী শান্নবদা মখোয় নুংঙাইতবা পোক্লি অমসুং মরম অদুদগী মখোয়গী মহুৎ শিনবা য়ুনিয়ন অদুনা হৌজিক মেনেজমেন্টতা ষ্ট্রাইকক্কী নোটিশ তৌখ্রে।

ইমপ্লোয়ীশিং অসিনা মখোয়গী খূৎশুম্নন হেনগৎনবা দিমান্দ তৌরিবনি। খূৎশুম্নন হেনগৎফম থোকই হায়বগী খুদম চাংদমগা লোয়ননা অমসুং লৈবাকসিগী মফম কয়াদা খূৎথাং চরাহেনবগা লোয়ননা চীয়ারমেন এন্দ মেনেজিং দাইরেক্টর সি এম দিদা চিঠি কয়ামরুম ইখ্রবনি অদুবু হৌজিক ফাওবদা ফজবা মওংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা থবক লৌখৎলকখিদ্রে হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-172**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | | 7 | | | 9 | 5 |
| | 5 | 7 | | | 8 | | 4 | |
| | | 2 | | 6 | 4 | | 7 | |
| | | 4 | 8 | | 9 | | | 6 |
| 8 | 2 | | 7 | | | 9 | | |
| | 7 | 9 | | 4 | | 5 | | |
| 4 | | | 2 | | 7 | | 5 | |
| 7 | | | 4 | 5 | | 2 | | 1 |
| 2 | | | | 9 | | 4 | | 7 |

**সনা-সুদোকু - ১৭১ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 6 | 4 | 7 | 1 | 3 | 8 | 2 | 9 |
| 1 | 2 | 9 | 6 | 5 | 8 | 7 | 3 | 4 |
| 3 | 7 | 8 | 2 | 9 | 4 | 1 | 5 | 6 |
| 7 | 1 | 2 | 9 | 6 | 5 | 4 | 8 | 3 |
| 6 | 4 | 5 | 3 | 8 | 1 | 2 | 9 | 7 |
| 9 | 8 | 3 | 4 | 2 | 7 | 6 | 1 | 5 |
| 2 | 3 | 6 | 8 | 4 | 9 | 5 | 7 | 1 |
| 8 | 9 | 1 | 5 | 7 | 6 | 3 | 4 | 2 |
| 4 | 5 | 7 | 1 | 3 | 2 | 9 | 6 | 8 |

## GAS TODAY

**Imphal L P G Service**
Booking : Up to Date
Stk : 312
Time : From 08.30 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 19kg & 5kg Avail
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.
First Came First Serve

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 am.
First Come First Serve

**Hiyangthang Indane**
Booking : 28/05/19
Valid : 24/05/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**LEibaklei Gas, Kakching**
Booking : 01/07/19
Valid : 15/06/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**R & H Gas Service**
Booking : 19/06/19
Valid : 29/05/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Athokpam Indane Wangjing & Khongjom**
Booking : 01/07/19
Valid : 16/06/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Yairipok Indane**
Booking : 05/07/19
Valid : 20/06/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : 01/07/19
Valid : 25/06/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m.